# আইপিটিএলদা ইন্দিয়ান এসেসনা য়ুএই রোয়েলসপু থোইদুনা মমাঙগী মায়থিবা মেটচ লমন শিংখ্রে



ইন্দিয়ান এসেসকী শান্নরোই মার্ক ফিলিপোসিসনা মায়োক্লবা লম্বাদগী পোইন্ট অমা লৌখিবদা হরাওবা ফোঙদোকখিবা

*সিঙ্গাপোর সিটি, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ইন্টরনেসনেল প্রেমিয়র টেন্নিস লীগকী ঙসি সিঙ্গাপোর সিটিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইনিদয়ান এসেসনা য়ুএই রোয়েলসপু মায়থিবা পীদুনা নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা জপানদা শান্নখিবা মেটচতা মায়থিখিবা অদু লমন শিংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ান এসেসকী মায়কৈদগী থোমাস এঙ্গিষ্ট, কর্ষ্টেন ফ্লিপকেন্স, রোহন বোপানা, ইভান দোগিগ, সনিয়া মির্জা, মার্ক ফিলিপোসিস অমসুং ফেলিসিয়ানো লোপেজনা টিম শেমখি। অমরোমদা য়ুএই রোয়েলসকী মায়কৈগীনা জোন লেফনি দি জেগর, দেনিয়েল নেষ্টর, পাব্লো কিবাজ, থোমাস জোহেন্সন, গোরান ইভানিসেভিস, মার্টিনা হেঙ্গিস অমসুং তোমাস বর্দিসনা টিম ওইখিবনি। অদুবু নুপীগী সিঙ্গলসকী মপাঙ্গল হেনগৎনবা টিম অদুদা অনা ইভানোভিস শরুক য়ারকখি।

ইন্দিয়ান এসেসকী মায়কৈদগী কর্ষ্টেন্স ফ্লিপকেন্সনা য়ুএই রোয়েলসকী অনা ইভানোভিসপু অহানবা সেটতা থোইখি। মিক্স দবলসতা সনিয়া মির্জা অমসুং রোহন বোপানাগী জুরানা মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং পাব্লো কিবাজগী জুরাবু থোইবা ঙমখি।

লিজেন্সকী মেটচতা এসেসকী মার্ক ফিলিপোসিসনা রোয়েলসকী থোমাস জোহেন্সেনপু মায়থিবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদনা য়ুএই রোয়েলসকী মায়কৈদগী তোমাস বর্দিসনা ইন্দিয়ান এসেসকী ফেলিসিয়ানো লোপেজবু মায়থিবা পীদুনা টিম অদুগী ৱাখল খরা ৱাংখৎহনখি।

অদুবু টাই অদুগী অরোইবা সেটতা নুপাগী দবলস লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়ান এসেসকী মায়কৈদগী রোহন বোপানা অমসুং ফেলিসিয়ানো লোপেজনা য়ুএই রোয়েলসকী জুরাবু মায়থিবাপীদুনা অপুনবা স্কোরদা গেম ২৬-১৯ দা থোইদুনা মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান এসেসনা ঙসিগী মেটচ অদু থারগা পুন্না মেটচ ৫ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ১ মায়থিবা নংদুনা অতোপ্পা টিম ৪ দগ মখোয়না হেন্দুনা চৎলি।

# আইটিটিএফ টুর ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন (আইটিটিএফ)গী মখাদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড টুর ইভেন্ট অহানবা ওইনা ইন্দিয়াদা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৬ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী জেনরেল ধনরাজ চৌধারিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএস দোলর ১২০,০০০ গী শেলগী মনা লৈগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিনা ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী মতুংদা শেল খ্বাইদগী চাওনা লৈবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি।

কুমজা ২০১০ দা আইটিটিএফকী প্রো টুরগী মনুং চন্না ইন্দিয়া ওপন টুর্নামেন্ট পাঙথোকখি। অদুবু চহী ২ লৈরগা টুর্নামেন্ট অদু ৱার্ল্ড টুরগী মনুং চলহনখি।

ইভেন্ট ১২ লৈবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৱার্ল্ড টুর ষ্টেন্দিং পোইন্ট লৈগদৌরি। মসিনা মথং চহীগী দিসেম্বর ১৪ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রান্দ ফাইনেলসতা ক্বালিফাই ওইননবা মকোক থোংবা শান্নরোই ১৬ অদু খনগদৌরিবনি।

য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট ওইবা মরম্না অশোয়বা লৈতনবা প্রোফেসনেল কম্পেনি অমা ওইরিবা এলভেন স্পোর্টসকা টিটিএফআইগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়না সেক্রেটরী জেনরেল ধনরাজ চৌধারিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। কম্পেনি অসিনা মথংগী জুলাইদা মকোক থোংবা শান্নরোই কয়া ইনিদয়াদা পুরক্কদৌরি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ১১৬ তা মায়থিবা পীদুনা ৱান দে মেটচ ৩ গী সেরিজ অদু থংননা মেটচ অনী থোইবদগী লৌখ্রে



ন্যু জিলেন্দবু মায়থিবা পীরবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

*কেনবেরা, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ন্যু জিলেন্দগা শান্নবা ৱান মেটচ অহুমগী সেরিজগী অনীশুবা মেটচ অদু কেনবেরা সহরগী মনুকা ওভেলদা শান্নখিবদা রন ১১৬ তা য়ুম্বু লৈবাক অদুনা মায় পাকপা ঙমখিবদগী অহানবা মেটচ অদুসু থোইখিবগা লোয়ননা সেরিজ অদু মখোয়না লৌখ্রে।

ঙসিগী অনীশুবা ৱান দে মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অপীবা ওভর ৫০ দা বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ৩৭৮ লৌদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা লৈবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমসুং অরোন ফিন্সনা ইন্নিংস নীংথিনা পুখৎলদুনা রন ৬৮ হাপচিনবা হৌখি। অদুবু ফিন্স ন্যু জিলেনদগী বোলর সেন্টনরনা রন ১৯ দা আওট তাহনখিবদগী অহানবা ৱিকেট তুখি।

কেপ্টেন ষ্টিবন স্মিথনা ফিন্সকী মহুৎ শিল্লদুনা ৱার্নরগা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা য়াম্না মরুওইবা ওভর ২৪ শান্নবা ঙমখি। মদুদা মখোয় অনীনা হান্না লৈরম্বা রন ৬৮ দগী পুন্না টিম অদুগী স্কোর ২১৩ য়ৌহন্দুনা পার্টনর্সিপ অদুনা রন ১৪৫ হাপচিনবা ঙমখি।

ওপনর দেবিদ ৱার্নরনা বোল ১১৫ মায়োক্লবদা সিক্স ১ গা ফোর ১৪ য়ৈদুনা পুন্না রন ১১৯ লৌরমখি। ৩৭ শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱার্নর আওট ওইখিবদগী ৪শুবা বেটসমেন ত্রেবিজ হেদ শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা স্মিথকনা ওভর ৩ দা অপুনবা রন ৩৫ হাপচিল্লগা রন ২৪৮ শুহল্লগা স্মিথ রন ৭২ দা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ১ গা ফোর ৬ য়াওরগা পুন্না রন ৭২ লৌরমখি।

৫ শুবা বেটসমেন মিটচেল মার্সনা ত্রেবিজ হেদপু মতেং পাঙবা চঙলকখি। মখোয় অনীনা অপুনবা স্কোর ২৪৮ লৈরম্বদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কোর অদু ৩১৯ য়ৌহল্লকখি। ত্রেবিজ হেদ বোল ৩২ দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা অপুনবা স্কোর ৫৭ তা আওট ওইখি।

মখা তানা ৱিকেট কিপর মেথ্যু ৱেদ শান্নবা চঙলকখি। মহাক ক্রিজ দা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মহাক বোল ৫ দা সিক্স ১ গা ফোর ১ গা য়ৈরল্লগা আওট ওইখি।

মিটচেল মার্সনা ৭ শুবা বেটসমেন জোর্জ বেলিগা লেমহৌবা ৭ তা ২১ হাপচিল্লগা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৫ দা রন ৩৭৮ য়ৌবা ঙমখিবনি। মিটচেল মার্স আওট ওইদনা বোল ৪০ দা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ২ য়াওরগা রন ৭৬ লৌদুনা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দগী অয়াম্বা বোলর ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেনশিংনা রন য়াম্না লৌবীবা ঙমখি। ৱিকেট ২ লৌখিবা টিম সাউথি ওভর ১০ লংবদা রন ৬৩ পীখি। খ্বাইদগী ফজখিবা বোলর অদু মিটচেল সেন্টনরনা ওইখি। মহাক্না ওভর ১০ লংবদা রন ৪৭ পীরগা ৱিকেট অমা আওট তাহনবা ঙমখি। ত্রেন্ট বোল্ট অমসুং গ্রান্ধোহোম ৱিকেট অমমম লৌরবসু রন য়াম্না পীখি।

ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্ননবা রন ৩৭৯ লৌননবা হোৎনরকপদা অপুনবা ওভর ৪৮ গী অনীশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ২৬২ খক লৌখি।

হৌরকপদা ওভর অমদা রন ৭ কী মথক্তা লৌদুনা ন্যু জিলেন্দ ফিভম ফজবা ঙমখিবনি। অদুবু ৬ শুবা ওভরদা ওপনর লেথম শুপ্নগী রন ৪ দা আওট ওইখিবদগী রন ৪০ দা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট তুবা হৌখি।

কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন শান্নবা চঙলকখি। ওপনর মার্টিন গুপ্টিলগা কুইনা ক্রিজদা লৈমিন্নবা ঙমখিদে। গুপ্টিল বোল ৩৩ দা সিক্স ১ গা ফোর ৭ য়ৈরল্লগা রন ৪৫ দা আওট তাখি। ৪ শুবা বেটসমেন জেমস নিসাম অমসুং ৱিলিয়মসন্না অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক মেটচ অদুগী ন্যু জিলেন্দগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেম্বা ঙমখি। মখোয় অনীনা ওভর ২২ হেন্না শান্নমিন্নরকপদা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা রন ১২৫ হাপচিন্দুনা ৩১ শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা পার্টনর্সিপ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা থুগাইখি।

জেমস নিসাম বোল ৮৩ মায়োক্লবদা সিক্স ১ গা ফোর ৭ য়ৈরল্লগা রন ৭৪ দা আওট ওইখি। মতম অদুদা ন্যু জিলেন্দগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭৭ লৈখি।

নৌনা চঙলকখিবা কোলিন মুনরো রন ১১ খক লৌখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা গ্রান্ধোহোমসু রন ১২ দা আওট ওইখিবদগী ন্যু জিলেন্দগী স্কোর অদু ওভর ৩৯ শুরকপদা বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ২২৯ লৌখি।

মথং চঙলকখিবা মিটচেল সেন্টনর শুপ্নগী রন ২ দা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা বি জে ৱেটলিং অমদি কেপ্টেন ৱিলিয়মসন কুইনা লৈমিন্নখিদে। ৪০ শুবা ওভরদা ৱিলিয়মসন্না বোল ৮০ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৮১ দা আওট ওইখিবদগী ন্যু জিলেন্দগী আশা লোইশিনখি।

মহাক আওট ওইখিবা মতমদা ন্যু জিলেন্দগী স্কোর ২৩২ লৈখি। লেমহৌবা বেটসমেন ৪ শুপ্নগী রন ৩০ খক লৌমিন্নরল্লগা আওট ওইখিবদগী ৪৮ শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক রন ২৬২ দা লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ১১৬ তা থোইখি।

# পার্থিব পটেল মুম্বাইগী টেষ্ট মেটচতা শরুক য়াগদৌরি



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান ৱিকেট কিপর রিধিমান সাহ ওইথংবা মফৈগলদা শোকখিবা অদু মপুং ফানা ফবা ঙমদ্রিবা মরম্না হয়েংদগী মুম্বাইদা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নগদবা ৪ শুবা টেষ্ট মেটচতা মহাক্কী মহুত্তা মমাঙগী মেটচতসু শান্নখিবা পার্থিব পটেলনা অদুমক মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিমদা চহী ৮ গী মতুংদা অমুক হন্না য়াওদুনা মোহালিগী টেষ্টতা রিধিমান সাহগী মহুৎ শিল্লদুনা শান্নখিবদা পার্থিব পটেলনা ইন্নিংস অনীদা মথংশিংনা রন ৪২ অমসুং ৬৭ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম মেনেজমেন্টপু পুক্লিং চিংশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

বিসিসিআইগী সেক্রেটরী অজয় সিরকেনা থোরকপা চেরোল অমদা হয়েংদগী মুম্বাইদা ইংলেন্দগা শান্নগদবা মেটচ ৫ গী মনুংদা ৪ শুবা মেটচ অদুদা মহাক ইন্দিয়াগী টিমদা মখা তানা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

বিসিসিআইগী মেডিকেল টিম্না অরোইবা ওইনা ফোঙদোরকপদা ভিসাখাপত্নমগী টেষ্টতা ৱিকেট কিপর রিধিমান সাহ শোকখিবনি। মহাক্কী অশোকপা অদু মপুং ফানা ওইশিনদ্রবা মরম্না মখা তানা শোকচিন্দনবা পোত্থানবা মেডিকেল টিম অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা অহৌবা টেষ্ট মেটচ অহুমক শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সিম বোলর ইসান্ট শর্ম্মা মহাক্কী লুহোংবগী থৌরমগা মরী লৈননা শান্নবা য়াওরোইদৌরি।

পনবা য়াই টেষ্ট ৫ গী সেরিজ অদুদা ইন্দিয়ানা ভিসাখাপত্নমগী টেষ্ট মেটচ অদু রন ২৪০ থোইখিবনি। লোয়ননা মোহালিগী ৩ শুবা টেষ্ট মেটচ অদুনা ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা রাজকোটকী অহানবা মেটচ ড্রো চৎখিবদগী সেরিজ অসিদা মেটচ ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবনি।

# এসিয়ান এয়র গন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ফিভম ফজখিদ্রে

*টেহরান, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ইরানগী সহর টেহরানদা পাঙথোকপা ৯ শুবা এসিয়ান এয়র গন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং গোল্ড মেডল অমফাওবা ফংবা ঙমদনা লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থখিবা কম্পিটিসন অদুদা রাইফল ইভেন্ট ৬ য়াওখি। মদুদা ইন্দিয়াগী ইন্দিভিজুয়েল নৎত্রগা টিমগী গোল্ড মেডল অমফাওবা ফংবা ঙমখিদে। চাইনানা মকোক ওইখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং অসি ইন্দিয়াগী বি টিম্নি। গোল্ড মেডল অমফাওবা ফংখিদ্রবসু নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না সিলভর মেডল অমমমদি ফংখি। অদুগা য়ুঠকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ব্রোঞ্জ মেডল অমসু ফংখি।

নুপীগী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অঞ্জুম মোদগিলনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা স্কোর ৪১৭.৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অতোপ্পা ফাইনেল য়ৌরকপা ইনিদয়াগী সুট্টর অনী অদুদি সুমা সিরুল্ল অমসুং প্রিয়াঙ্কা সন্দংগিনি।

মখোয় ৩ না পুন্না পোইন্ট ১২৪৫ ফংলগা টিমগী সিলভর মেডল অদু ফংবা ঙমখি। গোল্ড অদুনা চাইনানা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা য়ুম্বু ইরানগী টিম্না ফংখি।

নুপাগী এয়র রাইফলদা ইনিদয়াগী সতেন্দ্র সিংহ, আখিল সিয়োরান অমসুং ইমরান হাসন খাননা পুন্না পোইন্ট ১৮৬৪.৩ ফংলগা সিলভর মেডল লৌখি। অমরোমদা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডলনা চাইনানা পোইন্ট ১৮৭৬.৫ ফংলগা লৌখি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা থাইলেন্দনা পোইন্ট ১৮৬১.১ দা লৌখি।

য়ুঠ টিমগীদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৮৪০.২ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। গোল্ড অমসুং সিলভর অদুনা চাইনা অমসুং জপাননা ফংখি। অদুগা জুনিয়রগীদা ইন্দিয়াগী টিম ব্রোঞ্জ মেডল ফংগদবা পোইন্ট অমা শোত্থরগা ৪ শুবা তাহৌখি।

# কবাদ্দি একাদেমী লিংলগনি

*হায়দরবাদ, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ অন্ধ্র প্রদেশগী ভাইস চীয়ারমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্তরসু ওইরিবা বঙ্গরা রাজুনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুগী অনৌবা স্পোর্টস পোলিসিগী মনুং চন্না ষ্টেট অদুদা কবাদ্দিগী একাদেমী অমা অথুবা মতমদা লৈরগনি হায়খি।

অতোপ্পা মশান্নশিংগী একাদেমী কয়া লিংখৎলক্কদৌরিবা অদুগা ইরোইননা কবাদ্দিগী অমসু য়াওগদৌরিবনি হায়রি।

ৱাফম অদু মহাক্না নেসনেল জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৩ শুবা পোজিসন তারকখ্রবা অন্ধ্র প্রদেশকী নুপীগী টিম থাগৎপা ফোঙদোকপা থৌরম অমদি নুপামচাশিংগী কোচিং কেম্প হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

# বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা চেন্নাই সহরদা শান্নগদবা অরোইবা টেষ্ট মেটচকী ৱাফম লেপ্পা ঙমদ্রি

*চেন্নাই, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা থা অসিগী ১৬ তগী ২০ ফাওবা চেন্নাই সহরদা লৈবা এন এ চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি হায়না তৌরিবা অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদু ঙরাং অথেংবদা তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিথা লৈখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু শান্নগনি নৎত্রগা শান্নররোই হায়বগী অরেপ্পা ৱাফম ফোঙদোকপা ঙমদ্রি।

চেন্নাইগী লোকেল পাউচেশিংদা ফোঙদোরকপদা বিসিসিআই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইনিদয়া) গী মায়কৈদগী মেটচ অদু মফম হোংদোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈ হায়না ফোঙদোক্লরকপদগী বিসিসিআইগী অরোইবা ৱারেপ লৌবা ঙমদনা লৈরি।

বিসিসিআইনা চেন্নাইদা লৈরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলবা মতুং অরোইবা অমদি ৫ শুবা টেষ্ট মেটচ অদু হোংদোকপগী ৱাফম লেপকনি হায়না বিসিসিআইগী ৱাঙাংল্লোয়সু ওইরিবা সেক্রেটরী সিরকেনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মখা তারদুনা তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিথা লৈখিদবনা মরম ওইরগা চেন্নাই সহরদা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং সেন্টিমেন্ট অদু য়েংলগা টেষ্ট মেটচ অদু সহর অদুদগী হোংবা নৎত্রগা হোংদবা অদু লেপকনি হায়রি।

সিরকেনা মখা তারদুনা মফম অদুগী লোকেল মেদিয়াদা ফোঙদোক্লিবা পাউ অদু য়েংলগা অচেৎপা ৱারেপ অমা ঙন্না লৌবা ঙমদনা লৈরি।

সিরকেনা পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ওইবা য়াবা প্লান বি অমা শেম্বা লৈত্রি। লোকেলগী ওঠোরিটিশিংগী মায়কৈদগী পীরক্কদবা ফিটবেকশিং অদু য়েংলগা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌননা শিনগনি হায়রি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি মফম অদুদা হোংলক্লিবা ফিভমশিং অদু য়েংবা তারি। মরম অদুনা বিসিসিআইনা অরোইবা মতম অমা লেপ্পা ঙমদ্রি। মফম অদুগী লোকেল এসোসিয়েসনশিংগা পাউ অদুমক ফাওনদুনা অমদি য়ুম্বু ওইগদৌরিবা এসোসিয়েসন অদুগসু পাউ ফাওনরি। পুং খুদিংগী অমদি নুমিৎ খুদিংগী ওইবা মওংদা পাউ লৌদুনা লৈরি।

হায়রিবা ৱাফম অসিসু বিসিসিআইগী ৱারেপ অমগী মতুং ইনগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি বিসিসিআইগী ওইনদি ইনিদয়া অমসুং ইংলেন্দগী অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদু অতোপ্পা শান্নফম কয়া লৈরি। মরম অদুনা শান্নফম হোংদোকপদা থোইদোক্লা অৱাবা লৈরোইদৌরি।

লৈখিদ্রবী চেন্নাইগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী জয়াললিথা মফম অদুদা মীয়াম্না থোইদোক-হেনেদাক্লা থাক ৱাংনা পাম্নরবা লুচিংবী অমা ওইরমখি। মহাক্না লায়রবশিংগী মতেং ওইবা থবক থৌরম কয়া হৌদোক্লবখি। লোয়ননা চহী ৩০ হেন্না লুচিংবী অমগী চপ চাবা থৌদাং লৌরমখি। মহাক ঙরাং নুমিদাং লৈখিদবদা রাজ্য অদুগী পোলিটিক্সতা অচৌবা মেনশিনবা য়াররোইদবা অহাংবা অমা লৈখি।

পনবা য়াবদি মেটচ ৫ গী সেরিজ অসিদা ইন্দিয়ানা ভিসাখাপত্নম অমসুং মোহালিগী টেষ্ট থোইদুনা ২-০ দা মাঙজিল থারি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম আশা লৈ ঃ ওলটমেন



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৬ ঃ*

ইন্দিয়াগী সেনিয়র হোক্কি টিমগী চীফ কোচ ওইরিবা রোলেন্ট ওলটমেন্সনা ফোঙদোকখিবদা ইনিদয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা চহী ১৫ গী মতুংদা টাইটল ফংবা ঙম্বগী আশা চাউনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্স ফাওবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র হোক্কি টিমগী চীফ কোচ ওইগদৌরিবা ওলটমেন্সনা জুনিয়রগী শান্নরোইশিংং অদুবু মখোয়গী মাঙদালৈরিবা ৱার্ল্ড কপ অদুগীদমক্তা ৱাখল চোইথোক্তনা শেম-শাবা মথৌ তাই। জুনিয়রগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা সেনিয়রগী থাক্তা লাকপা য়াবা শান্নরোই কয়া য়াওরি।

হয়েংদগী হৌরগা দিসেম্বর ১৮ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী সহর লক্ষ্ণৌদা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ হোক্কি পাঙথোক্কদৌরিবনি।


## L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No | POST | QUALIFICATION | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/ LLM | 18-25 | H.Q | 2 |
| 2. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | 18-25 | H.Q | 3 |
| 3. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Nambol | 2 |
| 4. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Moirang | 2 |
| 5. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Sekmai | 2 |
| 6. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Samurou | 2 |
| 7. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Thoubal | 2 |
| 8. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 18-25 | H.Q | 5 |
| 9. | Mechanic(2 wheeler) | VIII Passed | 18-35 | H.Q | 4 |
| 10 | Grade-IV | VIII Passed | 18-25 | H.Q | 4 |
| 11. | Security | VIII Passed | 18-25 | H.Q | 5 |

BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING OPP. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.





Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*